HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




থম্বাল মরিক কোলেজগী আই ক্যু এ সীনা এম য়ুগী কোলেজ দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগা খুৎশম্নদুনা দিজাইনিং এসেসমেন্টনচিংবগী মতাংদা চথরকখিবা চয়োল অমগী ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিংদা শকখঙচে খুৎশিন্নবা


থম্মোয় পাউদম : পুস্সি মশক খঙবা হৌরকপা - ২ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ইলেক্ট্রোনিক্স, ফোটোনিক্স অমসুং ক্বান্টম ...
লান হায়বসিগী হৌরকফমদি পোলিটিক্সনি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ওজাশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইক চথখিবনা ক্লাস...
ওপরেশন সিন্দুরগী দিবেট : মে ৯ দা করি ৱারী শানখিগে... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ সব জুনিয়র নেশনল চেম্পিয়ন্সিপঃ মণিপুর...


নেশনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদ (এন এচ আই দি সী এল) গী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং এগজিক্যুটিভ দিরেক্টরনা গভর্ণর উন্দুনা হায়ৱেদা পায়খৎপা থবকশিংগী প্রোগ্রেসশিং পাউদমখিবা




Vol. 49, Issue No. 120 | য়ুমশকৈশা, থৱানগী ৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 30, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# জিরিবাম মীহাৎকী ইনভেষ্টিগেশন রিপোর্ট এন আই এনা পীখৎলকখ্রে হায় কোর্টনা থা ১গী মনুংদা চার্জশীটকী রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** নবেম্বর ১১, ২০২৪গী নুংথিল পোবোবতা কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা কোনশিল্লিবা মার টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোর কারোংগী মোধুপুরদগী চহী অমা ফাদ্রিবা ১ য়াওনা অঙাং অহুম অমসুং অঙাংশিং অসিগী মমা অনীগা লোয়ননা মীয়াই চল্লবী নুপী অমবু ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীনা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপদগী মথং-মথং ফংখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা এন আই এনা কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেশন চথরক্লবসু ঙসি ফাওবদা কেস অদুগী চার্জশীট মরী লৈনবা ক্রিমিনেল ত্রাইএল কোর্টতা থাগৎলক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থা অমগী মনুংদা কেস অসিগী চার্জশীটকা মরী লৈনবা অকূপ্পা রিপোর্ট কোর্ট অসিদা পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

কোর্টকী দিরেক্সন অসি চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকর অমসুং জষ্টিস এ বিমোলগী বেঞ্চ অমনা থা অসিগী ২৪দা পীখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী সোরাম টেকেন্দ্রজিৎ (৮২) অমসুং মৈতে লাঙ্গোলদগী সামোম ধ্রুব (৪৭) কৌবা মীওই অনীনা কোর্ট অসিদা পি আই এল নম্বর ১৮ ওফ ২০২৪ ফাইল তৌরক্তুনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম পূন্না তরুক্কী ইমুংদা মতিক চাবা কম্পেনসেশন পীগদবনি অমসুং থৌদোক অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎহনবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি।



পি আই এল অসি হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখিবনি। থা অসিগী ৭তা পি আই এল অসি কোর্টনা লৌখৎলকপদা থৌদোক অসি মে ১১, ২০২৪দা থোকখিবা নুমিৎমক্তদা পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক সী আর পি সীগী সেক্সন ১৬৭কী মখাদা কেস অসিগী চার্জশীট কোর্ট অসিনা মেট্টর অসি লৌখৎখিবা জুলাই ৭, ২০২৫ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী রিক্রুটমেন্টতা চৈ কানবা থবক তৌখিব্রা

# রিক্রুটমেন্টদা শরুক য়াখিবী নুপী কেন্দিদেট ১না অরানবা মওংদা পাঙথোকখ্রে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

ষ্টেট অসিগী পূক্কে চোন্না লৈরিবা আর্ট এন্দ কলচরবু হেন্না মশক থোকহন্নবগীদমক সঙ্গিট নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা লৈরক্লিবা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিনা চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল ১দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্টকী মতুংইন্না পোষ্ট খরা লৌননবা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ুদা য়াওবা 'গুরু সুত্রধারি অমদি রাসধারি' পোষ্টকীদমক শরুক য়াখিবী কেন্দিদেট হংলেম ইন্দুনা পোষ্ট অসিগীদমক পাঙথোকখ্রিবা ইন্টরভিয়ু অদু একাদেমি অসিগী দিরেক্টরগা লৌতুনদুনা পাঙথোল্লগা খঞ্জিনখ্রে অমসুং থৌওং অসি চৎনবা য়ারোই হায়রদুনা অমুক হন্না পোষ্ট অসিগী মতিক চাবা কেন্দিদেট খনবীয়ু হায়না পাউগী মীফম পাঙথোক্তুনা ফোঙদোকখ্রে।



জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী 'গুরু সুত্রধারি অমদি রাজধারি' গী পোষ্টকী রিক্রুটমেন্ট অরানবা মওংদা চথখ্রে হায়না কেন্দিদেট ওইখিবা হংলেম ইন্দুনা ফোঙদোকখিবা

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফমশিং অসি মহাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রাজ্য সভাদা পুং ২ চূপ্পা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকহনবগী মতাংদা খন্নরগনি

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :**

ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫ কী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা গভর্ণরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্দুনা মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাক তোকচখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী ষ্টেট অসিদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকপু অতোপ্পা থা ৬ অমগা শাংদোকহন্নবগী মতাংদা রাজ্য সভাদা পুং ২ চূপ্পা দিস্কশন চথগদৌরি। ৱাফম অসি সভা অসিগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন হরিভন্সনা রাজ্য সভাগী বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোল্লবা মতুংদা লাউথোকখিবনি। দিস্কশন অসি চৎলিবা চয়োল অসিদা চথরবা য়াই হায়বগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মায়কৈদগীদি মাঙজৌননা রাজ্য সভা সেক্রেটরিএটতা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকপদা অয়াবা পীবীনবা নোটিস পীশিল্লকখ্রবনি হায়রি।

## মণিপুরদা 'প্রসিদেন্টস রুল' শাংদোকহল্লক্নবা হোৎনবা, মথংগী মীখলসু নকশিল্লকপা

# অতৈ পার্টিগীদি খঙদে, এন পি পিদদি অহোংবা কয়া লাক্লনি পানরে এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরবদি এম এল এ ২০গী মথক্তা কাগনি : জয়কুমার

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা এম এল এ ৩২ কাদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্লক্লবা মতুংদা মীখল অদুদা এম এল এ ৬ কাবা জে দি-য়ুদগী এম এল এ ৫ চঙশিন্দুনা পূন্না বি জে পিগী এম এল এ ৩৭ শুদুনা মরা চেৎপা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লীংলকখ্রবসু মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লানগী ৱরোইশিন পুরক্লবা লৈঙাক অদুনা মশক থোকপা থবক অমত্তা তৌরক্তবদগী রিজাইন তৌহল্লবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল থল্লকপা খক্তা নত্তনা মখা তানসু শাংদোক্কনি হায়দুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মফি শেমগৎলকপদগী ওইরক্লিবা মণিপুরগী পোলিটিকেলগী ফীভমগী মতাংদা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম জয়কুমারনা হায়, ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি অতোপ্পা থা ৬ অমগী মতমগা শাংদোকহন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌবগী পাউ তারে। করিগুম্বা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক মখা শাংথরক্লবসু কুমজা ২০২৭কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদদি য়ামদ্রদা এন পি পিগী এম এল এ ১৫গী মথক্তা মায় পাক্তুনা কারক্কনি। অদুগা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকহল্লকপা নৎত্রগা শাংদোকহল্লক্তবগা মরী লৈনদ্রবসু হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসি দিজোল্ব তৌরবদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী য়াওনা মথংগী মীখলদা এন পি পিগী এম এল এ ২৫ হেন্না কাগনি।

এন পি পিনা এসেমব্লি দিজোল্ব তৌদনা মথংগী মীখল পাঙথোকপদা মায় পাক্কনি হায়রিবা মশীং অসিগা দিজোল্ব ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## লেকচররশিংগী খোঙজংনা ক্লাস তৌনদ্রে

# সিলেবস কভর তৌররোইদ্রা মীপাইনরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগীদমক কুমজা ২০১৯দা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা রিক্রুট তৌখিবা লেকচরর ৬০৩বু জন্যুৱারী ৮, ২০২২দা ফমখিবা মতম অদুগী লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না রেগুল্যলরাইজেশন তৌবদা অয়াবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা রেগুল্যলরাইজেশনগী থবক লোইশিন্দবদগী লেকচররশিং অসিদা পীফম থোকপা রেগুল্যর পে পীদ্রে হায়বগী মায়োক্তা কুমজা ২০১৮ বেটচকী ওজাশিং অসিনা পেন দাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মহৈরোয়শিংনা সিলেবস কভর তৌবা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মীপাইনরে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১


THE HIGH COURT OF MANIPUR · IMPHAL
SUPREME COURT OF INDIA
MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY
ACCESS TO JUSTICE FOR ALL

MEDIATION "FOR THE NATION"

"A Mediation drive to settle pending cases in all the Taluka Courts, District Courts & High Courts of India"

1st July to 31st of July 2025
(Cases Identification)

Categories of matters that could be referred for mediation

- Matrimonial Dispute Cases
- Accident Claim Cases
- Domestic Violence Cases
- Cheque Bounce Cases
- Commercial Dispute Cases
- Service Matters Cases
- Criminal Compoundable Cases
- Consumer Dispute Cases
- Debt Recovery Cases
- Partition Cases
- Eviction Cases
- Land Aquisition Cases
- Other Suitable Civil Cases

For further information contact:
The Office of:
Manipur State Legal Services Authority
ADR Building, Lamphel Courts Complex, Lamphelpat
Imphal West
Mobile No. 9436239666

Organised by:
High Court of Manipur
& Manipur State Legal Services Authority
under the aegis of
Mediation & Conciliation Project Committee (MCPC)


## ঙসি হাফ হোলিদে ওইগনি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস):**

জি এ দিনা থোরকপা ওর্দর অমদা হয়েং খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা দুরান্দ কপ ২০২৫গী ১৩৪শুবা এদিশন হৌদোকপগী থৌরম য়েংবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙ অমদি মহৈলোয়শঙশিং য়াওনা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং, কোর্পোরেশন, ওটোনোমস বোদি, সোসাইটি অমসুং কম্মিশনননচিংবশিং হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী ছুটি তঙ্খাই থাগনি হায়রি।

## নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগা তাইনবা চীংথক্তা 'সূ' গী কেম্প থম্বা য়ারোই

# থমদবা য়াদে হায়রগনা ম্যান্মারদা থম্বীরুরো নমদুনা থম্নবা হোৎনরক্লবদি থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা থেংনগনি



**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** হরাওথেলদা শেমগৎ শাগৎলক্লিবা নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগা তাইনবা চীংগী শরুক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূগী কেম্প শানবা লৈঙাক্লা ওর্দর থোকচিল্লক্লিবা অসি মমা ওইবীশিংনা য়াবা ঙম্লোই অমসুং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেঞ্জম চিরাং কম্যুনিটি হোলদা গ্রাম পঞ্চায়ট ৫গী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবশিংনা শীন্দুনা হরাওথেলদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূগী দিজিগ্নেটেদ কেম্প থম্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্না চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবী সেঞ্জম চিরাং মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি হৈখাম অন্নপতিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিংনা মীতৈগী খুল নক্লা সূগী দিজিগ্নেটেদ কেম্প থমজিল্লকপা য়ারোই, কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরক্লিবা সূ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## হিরোইন কেজি ২.৯৫ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ২৬তা চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াং পি এসকী মনুং চনবা এল কানন ভিলেজদগী দ্রগ ত্রাফিক্কর অহুম হিরোইন কিলোগ্রাম ২.৯৫ অমসুং মোবাইল ফোন অহুমগা কোন্ননা ফারে হায়না ঙসি পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফারবশিংদি হেংকোট খুলদগী গিনমাং হাওকিপ (৪০), কিপগেন ভেঙদগী সৈখোলেন অমসুং ঙাথল খুলদগী লালজুই (৫২) নি হায়রি।

## কে সী পি-এম এফ এল ২ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লম্লাই ময়ায় লৈকায়দগী খাইদেম নোংপোকঙানবা অমসুং লৈফ্রাকপম মমাঙ লৈকায়দগী থৌনাওজম অশোক কুমার কৌবা কে সী পি -এম এফ এলগী কাদর অনী মথংশিংনা নোংঙাদা অৱাং লৈকায় অমসুং লংথবাল কুঞ্জদগী ফারে হায়রি। মখোয় অনীদগী ৯ এম এম পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অনী, লুপা ৫১০ য়াওরম্বা ৱাল্লেট অমা অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অঙাং উনবদা মমা লৈখিদ্রে

# ডাক্তরনা থৌশাদবদগীনি হায়দুনা অকাই-অতোই থোকহনখ্রে মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টনা পুলিসতা ৱাকৎখ্রে





থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অঙাং উনবদা নুপী ১ লৈখিদবদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লক্তুনা অকাই-অতোই থোকহনখবা অমসুং (ইন্সেট- লৈখিদ্রবী সমিতানা হিংলিঙৈগী শক্তম)

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অঙাং উনবদা মমা লৈখিদবগী থৌদোক্তা ডাক্তরশিংনা থৌশাদবদগী থৌদোক অসি থোকপনি হায়রদুনা লৈখিদ্রবীগী লৈকায়গী মীয়াম্না ঙসি অয়ূক লায়েংশঙ অসিদা থোমজিল্লক্তুনা মসিগী কেজুএলিটি অমদি ও পি দি য়াওনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

HL-B/9713/17,20,23,26,27,30,31